# ঈশিং ঈচাও অমদি ৱেটলেন্দ

ডো: য়ুম্নাম বেদজিৎ






ৱেটলেন্দ হায়বসি চহী চুপ্পা ঈশিং লৈবা নৎত্রগা চহী অমগী মনুংদা মতম খরা ঈশিং লৈবা মফমশিং অদুবুনি। হায়রিবা অসি মহৌশাগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা খুৎশেমগী ওইবসু য়াই। নোংগী ঈশিংনা তুংদুনা লৈবা ওইবসু য়াই নৎত্রগা লৈনুংগী ঈশিং ওইবসু য়াই। অচেনবা ঈশিং ওইবসু য়াই নৎত্রগা তুংদুনা লৈবা ঈশিং ওইবসু য়াই। ঈশিং ইচম ওইবসু য়াই নৎত্রগা থুমহি চেনবা ঈশিং ওইবসু য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা পাৎ, তুরেল, লৌবুক নৎত্রগা নাপী-শিংবী য়াম্না হৌবা, ঈশিংসু লৈবা মফমশিং, ঈশিং ঈচাওদা য়ৌগনবা মফমশিং অসিনচিংবনি।

ৱেটলেন্দশিং অসি ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকীদমক য়াম্না মরুওইবা মফমশিংনি। হায়রিবা মফমশিং অসিনা ঈশিংবু ফহনবদা মতেং পাংই। ঈশিং ঈচাও থোকহন্দবদসু অচৌবা মতেং পাংই। মসিদসু নত্তনা জীব কয়াগী লৈফম পীদুনা অমদি মীওই কয়াগী শেল তানফম ওইরি।

ৱেটলেন্দশিং অসিনা ঈশিং চুপশিল্লগা থম্বনা মরম ওইদুনা ঈশিং ঈচাও থোকহন্দনবগী মরম অমা ওইরি। ঈচাও চাওখৎলকপা মতমদা চুপশিন্দুনা থল্লম্বা ঈশিংশিং অদু ঈশিং হন্থখ্রবা মতমদা তপ্না তপ্না থাদোরক্তুনা ঈশিংগী খুদোংচাদবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঈশিংদা য়াওবা ফত্তবশিং খুদম ওইনা হায়রবদা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবদগী চেন্থরকপা তিল হীদাক্রুচিংবা কয়াবু চুপশিন্দুনা অফবা ঈশিং ওন্থোকহল্লি। তৌইগুম্বসুং ৱেটলেন্দ হায়রিবা মফমশিং অসি অসুম অসুম মাঙশিল্লক্লি।

মথক্তা পনখ্রিবা কান্নবশিং অসিগী মথক্তা ঐখোয় মীওইবদা কান্নবা অসুক্কী মতিক ৱেটলেন্দশিং অসিনা পীরি। পনবা য়াবা খরদি চানবা মনা-মশিং, য়ুম-কৈ শাবদা শীজিন্নবা উ-ৱাশিং, মখল কয়াগী থাওশিং, হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পান্বীশিং, শা-ঙা কয়াগী মচিঞ্জাক ওইবা য়াবা পান্বী কয়া অমদি ঙাশিংনি। মালেমগী ওইনা ফোরেষ্টশিংদা ফাজিন্দুনা থম্লিবা কার্বোনগী শরুক অনী ৱেটলেন্দশিংদা ফাজিল্লগা থমদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। জীব কয়াগী লৈফম অমদি মচা পোকফম কয়া পীদুনা ৱেটলেন্দশিং অসিগী বাইওদাইভরসিটি অসি অসুক্কী মতিক ৱাংই।

অসুক্কী মতিক কান্নবা পীখ্রবা ৱেটলেন্দশিং অসিবু মাঙ-খগদবদগী কন্নবগীদমক মালেমগী লৈবাক কয়ানা মেম্বর ওইদুনা রামসর কোনটেন্সন হায়বা লূপ অসিগী মখাদা খনগৎলবা ৱেটলেন্দ খরগী কান্নবগী থবক থৌরম কয়া লৌখৎপা হৌখ্র। তৌইগুম্বসুং খনগৎলবা ৱেটলেন্দশিং অসিদদি য়াওহৌদবা ৱেটলেন্দ ময়াম অমগীদমক্তদি চেকশিন থৌরাং করিসু লৌ-খৎতনা লৈরি। খনগৎলবা ৱেটলেন্দশিং অসিগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনসু লোক্তাক পাৎ য়াওরি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা য়াম্না তোয়না ঈশিং ঈচাও থোক্লিবসিগী মরুওইবা মরম অমদি ৱেটলেন্দশিং অসি ফজনা মেনেজমেন্ট তৌদবদগীনি হায়জনীংই।

ৱেটলেন্দ মেনেজমেন্ট অসি ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকা মরী য়াম্না লৈনৈ। ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকী মতাংদা খরদং থমজগে। ৱাটরসেদ হায়বসি চীং-মান, চীংখোং-চীংয়া, লৈতেম মান্নবা তম্পাক্কী লমশিং পূম্নমক্কী ঈশিং তারকফম হায়বদি খোং, লোক, তুরেল অমখক্তদা ওইরবদি হায়রিবা মফমশিং অদুবু ঈশিং তারকফম অদুগী ৱাটরসেদ কৌগনি। ●

# হৱাই থাবদা রাইজোবিয়মগী মরু ওইবা

ডো. ৱাইখোম জিতেন

মীওইবগী তোংশাগুম্বা শাগৎপদা চংবা প্রোটিন হায়বা চিঞ্জাক্কী মচল অসি ইন্দিয়াগুম্বা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদদি মপূং ওইনা হৱাইদগী ফংই। মী অমনা নোংমগী মনুংদা মথৌ তাবা প্রোটিনগী শরুক অসি ইন্দিয়াগুম্বা মফমদদি হৱাইদগী গ্রাম ৬.৯০ গী চাংদা ফংই। অদুবু মালেমগী অমদি এসিয়া অপুনবগী ওইনা য়েংবদদি হৱাইদগী প্রোটিন গ্রাম ৩.১০ অমসুং ৩.৫০গী চাংদা ফংই। অমরোমদা অমুক মী অমনা নোংমগী মনুংদা মথৌ তাবা হৱাইগী শরুক অসি গ্রাম ৫০ ওইবা মতমদা ইন্দিয়ানা পুথোক্লিবা অসিদি মী অমনা নোংমদা গ্রাম ৩৩.৩ গুম্বা শীজিন্নবগী চাংদগী হেন্দ্রি। লোয়ননা প্রোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবগা লোয়ননা লায়না তুম্বা ঙম্বা প্রোটিনগী শরুক য়াম্না য়াওবনা মরম ওইদুনা প্রোটিন ৱাৎপদগী থোক্কদবা লায়না কয়া লাম্থেংননবগী খুৎলায় অমা ওইনসু হৱাই অসি শীজিন্নরি। অসুম্না মীওইবগা থানবা য়াররোইদবা হৱাই হায়বা পান্বী অসি থাবিবা মতমদা অহেনবা পোখোক পুথোকপা ঙম্নবা, লৈবাক লৈহাও হেন্না ফগৎহৌনবা, নোং অমদি নুংশিৎনা লৈবাক লৈহাও চেন্থোকখিগদবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংনবগীদমক রাইজোবিয়ম কৌবা হিংকুপ (মাইক্রোওর্গানিজম) শিং শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে।






রাইজোবিয়মগী মখল :

হৱাইগী মখল খেন্নবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা হৱাইগী মখলশিংগী তোঙান তোঙানবা রাইজোবিয়মগী মখলশিং শীজিন্নবীগনি।

| রাইজোবিয়মগী মখল | হৱাইগী মখল |
|---|---|
| Rhizobium Japonicum | নুংহৱাই |
| Rhizobium Leguminosarum | হৱাই মঙ্গল, হৱাইমুবী, মুশোরি, কশারি |
| Rhizobium Lupini | Lapines, Senndella |
| Rhizobium Melilor | Lucarne, Melilotus, Feru Greek |
| Rhizobium Phasedi | Beans |
| Rhizobium Species | হৱাই মায়রোংবী, চানা, লৈবাক হৱাই, শগোল হৱাইনচিংবা। |

রাইজোবিয়ম তোৎপগী মওং :

লমদম অদুদা মহৌশাদগী ফংদুনা লৈরক্লবা হৱাইগী মখলশিং অমদি হান্নদগী হৱাই থাদুনা লৈরক্লবা মফমশিংগীদমক্তি হৱাই থাবদা রাইজোবিয়ম তোৎপীদ্রবসু য়াই হায়না লৌনৈ। অদুবু করিগুম্বা থাগদৌরিবা হৱাই অদুগা চান্নবা রাইজোবিয়মগী মখলশিং থাদ্রিঙৈদা মরূদা তোৎপীহৌরবদি নুদল হায়রগা খঙনবা হৱাইগী মরূ অমদি মরাদা মরূম মরূম শৌদুনা য়াওবা ঙাংলৈনবা মচুগী মরূমশিং য়াওবগী চাং ৱাংখৎলি। অসুম্না অসিগুম্বা মরূ মশীং অসি য়াওবগী চাং হেনগৎপসিনা নুংশিত্তগী হৱাইশিং অসিনা নাইট্রোজেন হেন্না ফাজিল্লি। অসুম্না ফাজিল্লিবা নাইট্রোজেনশিং অসিনা হৌরিবা হৱাই অদুনা মথৌ তাবা নাইট্রোজেনশিং শীজিন্নখ্রবা মতুংদা মতুং তারকপা পান্বীশিংগী নাইট্রোজেন অমুক পীরমই।

মৈতাল মকুপ অমসুং অতোপ অতোপ্পা মচাক খরগা য়ানশিল্লবা, রাইজোবিয়ম য়াওবা পোৎশক অদু হৱাই থাদ্রিঙৈদা হৱাই মরূদা তোৎপীগনি। হৱাই মরূ কেজি অমদা অশেন্বা রাইজোবিয়ম গ্রাম ২০গী চাংদা তোৎপীগনি। থাগদৌরিবা হৱাই অদু কোকফাই হীদাক, তীল হীদাক তোৎপীগদবা লৈরবদি অহানবদা কোকফাই হীদাক অদু ঈশিংগী মতেংনা নং-নং লাওনা মোলোমগী মওংদা শেন্বীরগা হৱাই মরূদা তোৎপীগনি অমদি উরুম অমদা মচুম লাংশিনহনবীগনি। মসিগী মতুংদা তীল হীদাক অমুক তোৎপীরগা মচুম লাংশিনহনবীগনি। অসুম্না কোকফাই হীদাক অমসুং তীল হীদাক তোৎপীরবা মতুংদা রাইজোবিয়ম অদু লৌবীরগা নং-নং লাওনা মোলোমগী মওংদা ঈশীং খরা হাপ্পীরগা হৱাই মরূদা তোৎশিনবীগনি অমদি উরুম অমদা মচুম লাংশিনহনবীগনি।

মণিপুরগুম্বা অশিনবা লৈবাক লৈহাও ওইবা মফমগীদমক্তি রাইজোবিয়ম তোৎলবা মতুংদা শুনু মফোল খরা লৌবীরগা রাইজোবিয়ম তোৎলবা মরূশিং অদু তোৎশিনবীগনি অমদি মচুম লাংশিনহনবীগনি, নৎত্রে হায়রগা হৱাই থাগদৌরিবা চুরি চুরিশিং অদুদা এগ্রিকলচরেল লাইম কৌবা লৌউ-শিংউদা শীজিন্নবা শুনু মখল অদু কেজি ৫০০ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইবীরগা হৱাইশিং অদু থাবীগনি।

রাইজোবিয়মনা হৱাইদা কান্নবা পীবা নৎত্রগা পীদবদা মপূং ওবা থৌদাং লৌবা মচাকশিং:

রাইজোবিয়ম তোৎলবা হৱাই মরূশিং অদুনা হৌরক্লবা মতুংদা হৱাইগী মরাদা রাইজোবিয়মশিং অদু চঙখি অদুগা মহাক্না হৱাইদগী কার্বোনেট অমদি ঈশিং লৌদুনা শীজি ন্নৈ। অদুগা অমরোমদা রাইজোবিয়মশিং অসিনা হৱাইগী মরাদা শেল্লিবা নুদলশিং অদুগী মতেংনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা পান্বীশিং অদুদা পী। অসুম্না নাইট্রোজেন ফাজিনবা অসিদা তোঙানবা মচাক কয়ানা অকায়বা নৎত্রগা হেন্না খুমাং চাউশিনহনবা য়াই।

(ক) কা হেন্না শিনবা নৎত্রগা য়াকপা লৈবাক লৈহাওদা রাইজোবিয়মনা নাইট্রোজেন ফাজিনবদা অপনবা পী।

(খ) তোঙান তোঙানবা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখল খরনা নাইট্রোজেন ফাজিনবদা খুরৌ থাংই। মেঙ্গানিজ অমসুং এলুমিনিয়ম কা হেন্না য়াওবা লৌফমদা রাইজো বিয়মগী মপাঙ্গল শোল্লি। অমরোমদা অমুক বোরোন, কোবাল্ট, মোলিবদেনম অমদি জিঙ্ক ৱাৎপা মফমদসু হৱাইদা নুদল য়াওবগী চাং নেমই। অসিগুম্বা মখলগী পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং লৌফমদা হাপ্পীরবদি নুদলগী মশীং হেনগৎহনগনি।

নাইট্রোজেন কা হেন্না ৱাংবা লৌফম নৎত্রগা ফোসফরস নেম্বা মফমদা নুদল য়াওবগী চাং নেমই। মরম অদুনা হৱাই থাবদা নাইট্রোজেনগী চাং নেম্না অদুগা ফোসফরসনা চাং ৱাংনা শীজিন্নরিবনি।

(গ) লৈতান ওইনা তৌবা মফমদগী ফ্রোং-ফ্রোং লাওবা মফম্না হেন্না রাইজোবিয়মনা মথৌ তৌবা ঙমই।

(ঘ) কুইনা ঈশিং তুংশিনবা নৎত্রগা মতম শাংনা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা খাংবা লৌফমদা রাইজোবিয়মগী মপাঙ্গল শোল্লি।

(ঙ) তোঙান তোঙানবা লায়না নৎত্রগা তীলনা মখলশিংনা হৌরিবা হৱাইশিং অদুবু চাউদম থিলহল্লি। অসুম্না তৌবা অসিনসু রাইজোবিয়মনা নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাবগী চাং নেমথহল্লি।

হৱাই থাবীরিবা লৌমীশিংনা হান্না হৱাই থাদ্রিবা মফমদা হৱাই থাবীনবা হোৎনবা মতমদা রাইজোবিয়মসু ফংবিদ্রবদি হান্না হৱাই মখল অদু থাখিবা লৌফমদগী লৈবাক লৌবীরগা অনৌবা মফম অদুদা চাইথোকপীগদবনি। লৌ পরি অমগী লৌফমদা হৱাই থানবগীদমক হান্না হৱাই মখল অদু থাখিবা লৌফমদগী লৈবাক কেজি ২০০ লৌবীরগা ষষ্থি-ষণয়ুংদগী শেন্বা হারদা তোৎশিনবীরগা লৌফমদা চাইথোকপীগনি অমদি খোইজিনবীগনি। ঐখোয়না মথৌ তারিবা লৈবাক অদু লৌনবগীদমক লৈমায়গী মথক থংবা সেন্টিমিটর ২গী অথাবা লৈবাক অদু নাকল অমদা খোৎচিন্দুনা থন্বীরগা সেন্টিমিটর ৮গুম্বা থাবা লৈবাক লৈরোলদগী লৈবাক লৌবীগনি।

অসুম্না হৱাই থাবদা অহেনবা চাথোক পুথোক্লবগীদমক অমদি লৈবাক লৈহাও হেন্না লৈহৌনবগীদমক হৱাই থাবদা তঙাইফদনা রাইজোবিয়ম শীজিন্নবীয়ু। ●

ꯋꯥꯡꯂꯥꯡ/SPOKEN ENGLISH INSTITUTE
(The lowest fee but the Speediest improvement)
A new course just started, Speak English fluently within a short period, We teach pronunciation (Both British & American), English Grammar by foreign writer, vocabulary, translation, speaking practice, personality development, etc... are all included in the course 100% success in school, college, university exam, job interviews, entrance, competitive exam etc. ... come & enroll Today. Seats are limited. Details, form and prospectus are obtainable at the time and place below.
**MORNING**
**TIME** : 1) 6:30 AM to 7:45 AM (Student)
2) 7:45 AM to 9:00 AM
(Senior, Teacher, Nurse, Office goer etc)
**PLACE** : Kwakeithel Girls' High School near bus stop, Kwakeithel bazar (Imphal West).
HL-P/6596/15-19
**Sd/- Principal (SEI)**

**INDIAN INSTITUTE OF BANKING AND INFORMATION TECHNOLOGY (IIBIT)**
Kakching Paji Leikai, Ayangbung, Near Axis Bank
GSTIN : 18AAFF01723H17K Branch Code : IIBIT06684
Vacancy in India's top leading Pvt. Bank for the following position:-
1. **CSD :** Customer Service Officer for Female Graduate Candidate.
2. **Phone Banking Executive :** Graduate with Fluent in Hindi & English (Male/Female) both can apply.
3. **Branch Executive :** Any Graduate with age below 32 yrs.
4. **Loan Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
5. **Loan Development Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
6. **Operation Department :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
7. **Processing Executive :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
8. **Senior Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
9. **Sales Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
10. Free 3 months Computer Course.
11. 3 Months English and Hindi Course.
12. **BRE/BRM :** 10+2 can apply with Fluent both English & Hindi.
**N.B. BRE (Branch Relationship Executive) & BRM (Business Relationship Management)**
*Please visit to the IIBIT Office Kakching*
*Please Contact : IIBIT, Kakching Branch*
HL-B/6062/15/2-20/3 # +91 8837318822, +91 8575836481, +91 8014066918
HL-P/6050/12feb to 17 march

**CBSE CLASS IX&X**
**ADMISSION OPENS**
**6 MONTHS FOUNDATION COURSE**
**SUBJECTS: ENGLISH, MATHS, SCIENCE AND S.SCIENCE**
**CLASS STARTS : 2ND MARCH 2020 (Monday )**
**Timing : 4.30 pm - 8.00 pm**
**RESOURCE TUTORIAL CENTRE**
**KHURAI LAMLONG BAZAR , OPPOSITE KHURAI GIRLS SCHOOL(KVS),IMPHAL EAST.**
**FOR MORE DETAILS : PLIZ CONTACT- 8415923747/9366072052**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।